# হুইয়েন লানপাও

Vol. 41, Issue No.115 | য়ুমশকৈশা, ইঙেনগী ২৫/২৬ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, July 19, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


এ আর অমদি তেংনৌপল পুলিসকী অপুনবা টিম্না ক্বাথা জঙ্কসনদগী ফারকপা ব্রাউন সুগর, হেরোইন নম্বর ফোর অমদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং পাউমীশিংদা উৎপা



লামায় ১

ঈশিং ঈচাউ নংলবা মীয়ামগী য়েংলগা আই এস টি ভী নেটৱার্কনা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ৩গী তেংবাঙ শেল চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা খুৎশিন্নবগী শক্তম



লামায় ৪

শ্রীস্বামি শিবানন্দ ফাউন্দেসন সেন্টর, ইম্ফালনা শীন্দুনা থাউ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ৫৪শুবা পুন্যতিথি আরাধনা ওফ শ্রীস্বামি শিবানন্দ মহারাজগী থৌরম



লামায় ৪

সোসল ৱার্ক প্রোফেসন এন্দ চেলেঞ্জেস হায়বা থিমদা শিংজমৈ চীংঙামখাদা পাঙথোকপা অহানবা মণিপুর সোসল ৱার্ক প্রেক্টিসনর্স কোংগ্রেসকী থৌরম



## বরাক থোং য়ারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ : নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ কী বরাক থোংগী পেনেল রোদ অমা তেকপদগী ঙরাংদগী গাড়ী লানবা য়াদনা লৈরম্বা অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ দগী লানবা য়াখ্রে হায়না ৱার্কসকী কম্মিস্নার কে রাধাকুমারনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না হায়, থোং অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা বি আর টি এফনা শেমজিনবা লোইদুনা খুদক্তগী গাড়ী লানবা হৌহনখ্রে। ঙসি নুমিদাং ফাওবদা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়ী ৯০ থোং লাম্থোক্তুনা ইম্ফাললোমদা চৎখ্রে।

## এ আরনা সনা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ : মোরেদগী ইম্ফালদা লল্লোন্নবা সনা পুখ্রে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী খুদেংথাবী পোষ্টতা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা মারুটি ভেন অমদগী য়াম্লবা সনা ফারে। অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা ফারবা সনাশিং অদুগী মনুংদা গোল্ড বার মরি অমসুং গ্রাম ৯.৬১৫ রোম লুমগদবা সনাগী বিস্কিট ১৮ য়াওরি। সনাশিং অদু মারুটি ভেন (এম এন ০১ দল্লিয়ু-৪২৭৭)দা পুরকপনি। হায়রিবা সনা অদুগা কোন্ননা মোরে মুস্লিম নগরদগী এম দি সজিদ খান (৩৮) কৌবা মীওই অমসু ফারে হায়রি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| চান্দেল | ৩২.১৩ °C | ২৩.৫৬ °C |
| সীসীপুর | ২৭.৫১ °C | ২০.৮৯ °C |
| ইম্ফাল | ৩২.৪৫ °C | ২১.৫০ °C |
| সেনাপতি | ৩২.১৪ °C | ২১.০৪ °C |
| তমেংলোং | এন এ °C | এন এ °C |
| থৌবাল | এন এ °C | এন এ °C |
| উখ্রুল | ২৬.৪৬ °C | ১৮.৭২ °C |
| মণিপুর | ৩৪.৩১ °C | ১৮.৭২ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৭০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৬
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 74.412882 |
| US Dollar | 64.278632 |
| British Pound | 83.704353 |
| Australian Dollar | 50.961029 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.524132 |
| Japanese Yen | 0.574166 |
| Malaysian Ringgit | 14.996937 |
| Norwegian Krone | 7.983957 |
| Singapore Dollar | 47.027874 |
| South Korean Won | 0.057201 |
| Swedish Krona | 7.779423 |
| Turkish Lira | 18.208968 |
| Myanmar Kyat | 0.04719 |
| Bangladesh Taka | 0.79653 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 28438.50 |
| Mumbai | – | Rs 29475.94 |
| Delhi | – | Rs 28877.01 |
| Kolkata | – | Rs 29433.16 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

### HL POLL

Q : Photo namluba paomi RIMS ki staff amana makhut pairaga chingbagi thouong yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur Legislative Assemblygi mifam khangten tensillibasi tangaifadabagini haina khandokpa yabra?

Yes 28% No 72%

### অস! লোইরেহে!


দি ও ময়াম অসিনা অচুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমহন্দ্রে...!



দি ওশিংদু ধুপ থারগা খুরুমউ...!

## এসেমব্লী মতম লেপখ্রগা তেনশিনবা পুৱারিদা লৈহৌরগনি : কোংগ্রেস

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ইস্যু পুখৎকনি : জয়কিষণ



*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :*

*‘মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী বজেট মীফম থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা ওগষ্ট ১৬ ফাওবা ফম্নবা এসেম্বলীগী বুলেটিন থোকখ্রবা মতুংদা ব্যুজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী) গী মীফম কৌদুনা এসেম্বলী সেসন তেনশিনবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরগনি, পুৱারীদা লৈহৌরগনি।’*

কোংগ্রেস ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষনা হায়খি, বজেট সেসন থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা ওগষ্ট ১৬ ফাওবা চথবা হায়না মমাঙদা ফমখিবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিনা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না এসেম্বলীগী বুলেটিনসু থোকখি।

মতম লেপখ্রবা মতুংদা এসেম্বলী মীফমগী মতম তেনশিন্নবা ষ্টেট কেবীনেটনা ৱারেপ লৌরগা অমুক হন্না বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী)গী মীফম পাঙথোকপা অমসুং থা অসিগী ২০দগী মীফম হৌরগা ওগষ্ট ৪দা লোইশিনগনি হায়বসি মণিপুর খক্তা নত্তুনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইরগনি। বি এ সীনা লেপখ্রবা ফিরেপ্পু অমুক হন্দোকপগী থবক তৌহন্নিংদে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, থা অসিগী ২০ দগী হৌগদৌরিবা এসেম্বলী সেসন অসিদা মণিপুরগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা পুখৎকনি। ফ্রেমৱার্ক এগিমেন্টকী ৱাফমসু এসেম্বলীদা পুখৎকনি। লমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলুপশিংনা নুংনাংলিবশিং অসি কোকহন্নবা থবক পায়খৎফম থোকই। য়েলহৌমী কনবগা মরী লৈনবা হীরমশিংসু এসেম্বলীদা পুথোক্কনি। আই এল পিগী ইস্যুগী মতাংদা খন্ন নৈনবা সেসন অসিদা পুথোক্কবগীদমক শেম শারি। য়েলহৌমী কন্নবগা মরী লৈনবা হীরম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি।

ষ্টেট অসিদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা কয়াসু মায়োক্লুরি। মফম কয়াদা ঈচাও থোক্তুনা অৱাবা তারিবা অসিগী মতাংদসু এসেম্বলী সেসনদা পুথোক্কনি। ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমক করি পায়খৎখিবা অমদি করম করম্বা থবক পায়খৎলক্কদগে হায়বগী মতাংদা পুখৎকনি। মণিপুরদা ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লুদুনা লৈরিবনি। কন্সত্রক্তিব ওপোজিসনগী রোল লৌদুনা মীয়ামগী ওইবা ইস্যু কয়া পুখৎকনি অমদি খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱাঙাংলদুনা এম এল এ, এন লোকেন্না হায়খি, এসেম্বলীগী বজেট সেসন হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। বজেট সেসন থা অসিগী ২০ দগী ওগষ্ট ১৬ ফাওবা ফম্নবা বুলেটিন থোকখ্রবা মতুংদা মতম তেনশিনবা হায়বসি মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌওংনি। থৌওং অসি লায়বক থিবনি। এসেম্বলী মীফম অসিদা ৱাহং মরি পুখৎনবগীদমক এসেম্বলী সেক্রেটরিয়েটতা সবমিট তৌনবা মী থারুবা মতমদা ৱাহং অনীদগী হেন্না লৌহৌখিদে। ৱাহং মরি সবমিট তৌবদা অনীদগী হেন্না লৌবা য়াররোই হায়বা ৱাফম থল্লকপা অসিসু লায়বক থিবনি।

মমাঙথক্তা ফমখিবা মীফমদা মীয়ামগী ইস্যু খন্নবা নংহৌদবদগী মতম শাংদোক-পদি য়াওখি অদুবু ইস্যু ময়াম অমা খন্নগদবা লৈরিঙৈদা মতম তেনশিনবসি লৈঙাক অসিনা চিন্দা অমা হায়বা, থবক্লা অমা তৌবগী মমি তাই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম এল এ, টিঐচ লোকেশ্বর অমদি অব্দুল নাসিরসু শরুক য়াখি।

# ভোট ওন একাউন্ট অমুক্কসু লৌগদৌরি

## এসেমব্লি সেসন-থাংজ নুমিৎ ছুটি লৈররোই

*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :*

মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমা ওইনা মমাঙগী এসেমব্লি সেসন্দা ষ্টেট অসিগী শীজিন্ননবা থা ৪গী ভোট ওন একাউন্টকী শেনফম পাস তৌখ্রবা তুংদা হন্দক্কী মীফম অসিদসু অমুক থা ১গী শীজিন্ননবগীদমক ভোট ওন একাউন্ট পুথোক্কদৌরি।

ঙসি ফমখিবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী)গী মীফম্না থা অসিগী ২০দগী হৌগদৌরিবা বজেট মীফম অসি মথং থাগী ওগষ্ট ৪দা তেনশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। মপুং ফাবা বেজেট পুথোক্তুনা তঙাইফদনা পাস তৌবদা ওগষ্ট ৪ ফাওবা মীফম চথবগী অয়াবা পীরবসু লৈঙাক্না শেল শীজিন্নবগী অয়াবা লৌখিবদি থা অসিগী ৩১ ফাওবদনি। মরম অদুনা নুমিৎ ৪নি অসিদা শেল শীজিন্নবা য়াহন্নবগী তঙাইফদনা থা ১গী শীজিন্নবা ভোট ওন একাউন্ট পুথোকপগী তঙাইফদবা লাকখিবনি।

বি এ সীগী মীফম মতুংদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা থোকখিবা বুলেটিননা হায়, হন্দক্কী এসেমব্লি সেসন অসিদা থাংজ নুমিৎ খুদিংমক ছুটি লৈরোইদৌরি। থা অসিগী ২০ দা প্রজেন্টেসন ওফ বজেট ইষ্টিমেট ২০১৭-১৮ লৈগনি। এমেন্দমেন্ট (এস) টু দ মোসন ওফ থেঙ্কস তু দ গভর্নরস এদ্রেস, ভোট ওন একাউন্ত ২০১৭-১৮ প্রজেন্টেসন লৈগনি। থা অসিগী ২১ দা ৱাহং পাউখুম বজেট ইষ্টিমেটকী জেনরেল দিস্কসন, প্রাইভেট মেম্বর ব্যুজিনেস, থা অসিগী ২২ দা ৱাহং পাউখুম, দিস্কসন এন্দ ভোটিং ওফ দিমান্দ ফোর গ্রান্ট লৈগনি। থা অসিগী ২৪ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন, গভর্নমেন্ট বিল খন্নগনি।

থা অসিগী ২৫ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন লৈগনি। থা অসিগী ২৬ তসু ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ ফোর গ্রান্ত দিস্কসন লৈগনি। থা অসিগী ২৭ তা ৱাহং পাউখুম, দিস্কসন এন্দ ভোটিং ফোর গ্রান্ত লৈগনি। থা অসিগী ২৮ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন, প্রাইভেট মেম্বর ব্যুজিনেস লৈগনি। থা অসিগী ২৯ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন, ইন্ত্রদক্সন ওফ মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (৩) বিল লৈগনি। থা অসিগী ৩১ দা দিমান্দ দিস্কসন অমদি গভর্নমেন্ট বিল ইন্ত্রদক্সন...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## লুপা ক্রোর ৩.৩৯ গী দ্রগকা কোন্ননা মীওই মঙা মোরে লম্বীদগী ফারে

*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :*

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা ১২শুবা আসাম রাইফলস অমদি মোরে পুলিস কম্মান্দোগী কম্বাইন্দ টিম অমনা ক্বাথা জঙ্কসন মনাক্তা থি-হুম্বা চথুবদা ওটোরিক্সো অমদা লাকপা নুপী অনী, নুপা অনী অমদি জুবেনাইল ওইবা অমা য়াওনা মীওই মঙা ফারে।

ফারবা মীওইশিং অদুদগী য়াম্লবা লুপা ক্রোর ৩.৩৯ রোমগী মমল ওইগদবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক ব্রাউন সুগর অমদি হেরোইন নম্বর ফোর অমদি দল্লিয়ু ৱাইনচিংবা য়াওনা ফারে হায়রি।

ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এস পি ডা. এস ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদুদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরেগী চিক্কিম খুলদা লৈবা থেংখোজম গাংতে (৩৬) অপোকপা লুমচা গাংতে, মোরেগী লংকিচোই ভেং মোলহোইদা লৈবা লেটখোথাং লুংদিম (৩৮) অপোকপা জিলহুন লুংদিম, অহুমশুবদা মোরেগী চিক্কিম খুলদগী দোমজাহাট হাওকিপ (৩৫) অপোকপা থাংকুলুন হাওকিপ, খুল অসিমক্তদগী লিয়ম হাওকিপ (৩০) অপোকপা...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## রোজরগী ইমুং-মনুং সী আর পি এফতা ঙাকহন্নবা খঙহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :*

য়াওশঙ মনুংদা নিংঙাই-শংদাইনবগী থৌদোক অমদা নোংথোম্বম অজয় মীতৈনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়বা ইরোম রোজরগী ইমুং-মনুংদা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীনবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা খঙহনখ্রে।



লৈখিদ্রবা ইরোম রোজরগী অপোকপী ইরোম চিত্রা দেবীনা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি। অয়াম্বা মতমদা করি থোরক্কদগে হায়বগী মিপাইবা অমগা লোয়ননা হিংবগী মথক্তা কনাগুম্বা উকিল অমত্তনা অজয় মীতৈবু চৈরাক ফংহন্নবা কেস লেপ্পীয়ু য়াদ্রে হায়না ইরোম চিত্রানা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখি।

জষ্টিস এ কে সিক্রি অমসুং জষ্টিস দিপক গুপ্তগী ভেকেসন বেঞ্চনা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল মনিন্দ্র সিংহদা রোজরগী ইমুং-মনুংদা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) ঙাক শেলহন্নবগী থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখি।

জষ্টিস সিক্রিনা হায়খি, করিগুম্বা মরম অমা লৈতনদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মায়োক্তা অসিগুম্বা মখলগী ৱাফম ফোঙদোকপা তৌরোই।

অহানবদা কোর্টনা লৈখিদ্রবা রোজরগী ইমুং-মনুংদা সিক্যুরিটি পীনবা মণিপুর লৈঙাক্তা য়াথং পীখি। অদুবু চিত্রা দেবীগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়ার এদভোকেট কমিনি জয়স্বালনা হায়খি মদুদি, মতৈ-মনাওনা দিল্লিদা লোত্তুনা লৈরিবা মরম্না মখোয়বু ঙাক শেনবগী থৌদাং সেন্টরনা লৌফম থোকই।

ৱাফম অদু তারবা মতুংদা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেলনা হায়খি মদুদি, মতৈ-মনাওদা কিহল্লকই হায়বা ৱাফম অদুগী চপ চাবা খুদম ফংলবা মতুংদা সিক্যুরিটি পীগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্তা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনবা লৈখ্রে। ফীভম অসি কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎকনি।

পিটিসনরনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱারোল মতুং ইন্না হৌখিবা জন্যুৱারী থাদা লৈখিদ্রবা অজয়গী ইমুং-মনুংনা সেসন্স জজ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ফোটো নম্লুবগী রিমসকী ষ্টাফ ১না পাউচে অসিগী পাউমী খুদাং পায়রগা কোয়চিং চিংখ্রে

*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :*

টিকেট কাউন্টরদা মীয়াম্না ক্যু লেপ্লবগী ফোটোগ্রাফ নম্লুবগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ষ্টাফ অমনা পাউচে অসিগী পাউমী অমগী খুদাং পায়দুনা মীয়াম মাঙদা কোয়চিং চিংখ্রে।



প্রধান মন্ত্রি নেসনল দাইএলাইসিস প্রোগ্রাম মমাঙ থাগী ১৯দগী চৎনবা হৌখ্রবা মতুংদা দাইএলাইসিস তৌবা অনাবদগী রিমসকী ষ্টাফ অমনা শেল লৌরে হায়বা ৱাকৎ অমা লাকপদগী অতোপ্পা পাউমী অহুমগা লোয়ননা পাউচে অসিগী পাউমী অদুসু রিমসকী টিকেট কাউন্টরদা চঙশিনখিবনি।

হান্ননা ৱাফম অমত্তা হায়নদ্রিঙৈদা মীয়াম্না টিকেট কাউন্টরদা পরেং লেপ্লগা টিকেট কক্লবা হোৎনবগী ফোটোগ্রাফ নম্লুবদা কাউন্টর অদুদা লৈরম্বা নুপী ষ্টাফ অমনা পাউচে অসিগী পাউমীনা নমখিবা ফোটোগ্রাফশিং অদু মুথৎলু হায়না কিহল্লকখি। মহাক্না পাউমী অদুবু মখুদাং পায়দুনা টিকেট কাউন্টর মনুংদা চিংশিনখি।

মহাক্না নল্লিবা ফোটোগ্রাফ অদু টিকেট ককপদা শেল লৌবগা মরী লৈনদে হায়রবসু ষ্টাফ অদুনা তাশিন্নখিদে। পাউমীশিং অদুনা মফমদুদা লাকপগী মরম অদু খঙহনখি। পেসেন্ট পার্টিখরনা লেম্না দাইএলাইসিস তৌগদবদা শেল লৌরে হায়দুনা ৱাকৎলক্লিবদু কদাই ফাওবা চুম্বগে হায়বা খঙদোক্লবা লাকপনি হায়না পাউমীশিংনা হায়খি।

নুপী ষ্টাফ অদুনা ফ্রীদা টেষ্ট তৌবা অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## গভর্নরগী অপাম্বা তুংইন্না নাগালেন্দ এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েং তৌরগনি

কোহিমা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) : পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম লৈরিবা নাগালেন্দদা চীফ মিনিষ্টর সুরহোজেলি লিজিতসুগী মরাইবক গভর্নর পি বি অচার্য্যগী মখুত্তা লৈগদৌরি।

নাগালেন্দগী গভর্নরনা জুলাই ১৫গী মমাঙদা থাজবগী ভোট লৌগদবনি হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমগী মায়োক্তা চীফ মিনিষ্টরনা থাঙ্গৎলকপা রিট পিটিসন অমা গৌহাটি হায় কোর্ট, কোহিমা বেঞ্চনা লৌখিদ্রে।

জুলাই ২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সন লোইরগা এসেমব্লিগী লৈমায়দা থাজবগী ভোট লৌহনগদবনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী পিটিসন অদু রিজেক্ট তৌরে হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তি নাগালেন্দ এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোকপগী ৱাফম অসি গভর্নরগী মখুত্তা লৈরে। মমাঙদা চীফ মিনিষ্টরনা হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরদুনা হায়খিবনি মদুদি, গভর্নরনা জুলাই ১৫গী মমাঙদা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহল্লকখিবা ৱাফম অদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা মরম্না থবক্তা ওন্থোকফম থোক্তে। মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ‘নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি’

*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :*

পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিগী মনুংদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৭ পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেদেন্ট চার্জ ফোর য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস) বিজয় গোয়েলনা ঙসি পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা রাজ্য সভাগী এম পি কে ভাবানন্দনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি পার্লিয়ামেন্ট সেসনদা রাজ্য সভাগী এম পি কে ভাবানন্দনা হায়খি, মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী থবক হৌখ্রবরা, চৎলিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম অসিগী মনুংদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী বিল পুথোক্কদ্রা অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক শেনফম কয়া থাদোকখ্রবগে হায়বা ৱাহং হংখি। ৱাহং অদুগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেদেন্ট চার্জ ফোর য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস) বিজয় গোয়েলনা হায়খি, লৈঙাক্না মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লীংখৎনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। হিন্দুস্থান ষ্টীল ৱার্ক কন্সত্রক্সন লিমিটেদপু প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সত্রক্সন ওইনা এঙ্গেজ তৌখ্রে। চৎলিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী প্রি ইনবেষ্টমেন্ট এক্তিভিটিশিংগীদমক হিন্দুষ্টান ষ্টীল ৱার্ক কন্সত্রক্সন লিমিটেদতা লুপা ক্রোর ১৩.৫০ রিলিজ তৌখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী এদভাইস মখাদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা প্রি ইনবেষ্টমেন্ট এক্তিভিটিগীদমক লুপা ক্রোর ৫০ ফাওবা সেঙ্কসন তৌবা য়াই। প্রোজেক্ট অসিগী ফেজ ৱানদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২


RIMT UNIVERSITY "education for life"

150+ PROGRAMS TO CHOOSE FROM | 100% MERIT BASED SCHOLARSHIPS AVAILABLE | 400+ COMPANIES VISITED | 40000+ PLACEMENTS TILL DATE | 5 INTERNATIONAL MOU'S | Students from 28 STATE & 07 COUNTRIES

DIRECT ADMISSIONS

PROGRAMS WE OFFER

Engineering (B.Tech/ M.Tech/ Diploma/ B.Voc./ Ph.D), Hotel Management, Architecture, Law, ITI, Computer Applications (BCA/ B.Sc/ MCA/ M.Sc/ PGDCA/ Ph.D), Commerce, Management (BBA/ MBA/ MBA Integrated/ M.Phil/ Ph.D), Design (Dip/ B.Sc/ B Design/ BFA/ MFA/ M.Phil/ Ph.D), Agriculture (Diploma/ B.Sc/ M.Sc/ Ph.D), Fisheries, Journalism & Mass Communication (Bachelor/ Master) Pharmacy, Basic & Applied Science (B.Sc/ M.Sc/ M.Phil/ Ph.D), Para-Medical.

ATTRACTIVE SCHOLARSHIPS FOR ENTIRE COURSE TENURE OF ALL PROGRAMMES

Meritorious | Sports | Low Income | NCC/NSS | Bravery Award | Defence Person

RIMT MANIPUR OFFICE: 8725885838, 8257097692

Main Campus : Nh1, Opposite Floating Restaurant, Sirhind Side, Mandi Gobindgarh, Punjab

www.rimt.ac.in Toll Free 1800 137 0022

UGC Under Section 2 (f), AICTE & COA Approved Courses

HL-P/2071/15-27alt-July

LOAN AVAILABLE

মথল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

AREA COVERED: Imphal East, Imphal West, Bishnupur

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/15/6-19/7


ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্বের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫